ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, নবেম্বর ১০, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২২১শুবা মশীং

# খংপ্রেক খংহল্লু

## লোসু থোং মান্ননা চৎনহল্লু

মণিপুরনা লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা তিন্দুনা মসিগী শরুক অমা ওইরকখিবা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী হৌনা কোথোক্লুদ্রবসু জন্যুৱারী ২১, ১৯৭২দগীনা হৌজিক ফাওবদা লৈরক্লিবা ষ্টেট লৈঙাকশিং য়েংলুবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংলক্লিবা থেঙ্খাং অনী শুরক্লবা লৈঙাকসিসু মণিপুরগী চীং-তম অনীবু থোং মান্নহন্নবা হোৎনবা লৈঙাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌবা য়াই। কুমজা ২০১৭কী মার্চ ১৫দগী লৈরকখিবা পার্টিসিনা লুচিংবা লৈঙাকশিংসি লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরমখিবা লৈঙাকশিংনা চীংমী-তম্মীশিংগী মরক্তা লৈরকখিবা অহোবা (গেপ) শিং মেনশিন্দুনা লৈহন্দনবা হোৎনরমদে হায়বা নত্তে। চীংমী ফুরুপশিংগী মরক্তুগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী টর্ম খুদিংমক্তা মিনিষ্টরশিং ওইবা য়াওখ্রিবা ঙাক্তনি। মসিদগী হেন্দোরক্তুনা লৈখিদ্রবা য়ংমাসো শৈজা চীফ মিনিষ্টর ওইরমখি। লৈখিদ্রবা রিশাং কৈশিংসু পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইবদগী হেন্দোরক্তুনা চীফ মিনিষ্টর কয়ারক ওইরমখি। মণিপুর লৈঙাক খক্তা নত্তনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা ফাওবা মৈজিংলুং কামশোন ষ্টেট মিনিষ্টর ফাওবা ওইখি। বি জে পিগী লুচিংবা লৈঙাক সেন্টরদা লাকখিবদগী লাইরেন মতুং ঙা ইনবদৌনা মণিপুরদসু লৈরকখিবা পার্টিসিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরকখিবদগী হেন্না পাকথোক চাওথোক্না অহেনবা মীৎয়েং থম্লগা চীং অমসুং তম অনীমক চপ মান্নবা থাক অমদা পুখৎলক্লবা মথৌ তাবা থবকশিং লেপ্তুনা পাঙথোরক্লি হায়বনি। ৱাফমসি তৌবদগী হায়বনি, তৌদ্রবদি হায়রোই। তৌরগা তৌই, তৌদ্রগনা তৌদে হায়বদি থৌনা লৈনা ঙম্ফম থোকই। মসিমক অফবা অমসুং অচুম্বা মীয়াম অমগী মচৎনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু তৌথোরক্লিবা থবকশিংসি তৌফম থোকপদগী তৌরকপনি। মমাঙদা লৈখিবা লৈঙাকশিংনা ময়াম তৌরম্লবসু চিংখ-নাম্থরম্বা অমসুং অহোবশিং থিদোক্তুনা মল্লগা অহো-অরাক অমত্তা লৈহন্দনবা থবকশিং পাঙথোরকপনি। য়াম্না ফৈ, মখা তানসু তৌগে খনবা অচুম্বা ৱাখল্লোননা লমজিংদুনা অফবা থবক ময়াম তৌরকখিবা ওইরসনু।

অদুবু হান্না লৈখিবা লৈঙাকশিংদগীনা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক ফাওবগী মরক্তা চীং অমসুং তমদা চপ মান্ননা, থোং মান্নহন্দুনা চৎনহনবা ঙমদবা অমত্তং পনবা তারবদি লৈবাকসিদা চৎনবদগী মসিগী শরুক অমা ওইরিবা মণিপুরদসু চৎনরক্লিবা এক্ট, রুল অমসুং লোশিং অসিনি হায়বা য়াই। খেন্নবা লৈহন্দনা চৎনহন্নবা হোৎনদ্রে হায়বা নত্তে, হোৎনৈ। অদুবু হোৎন-হোৎননা কৈবুই কৈওইবগী উতোং অহোবগা পাঞ্জিক্লবা ফীভমদা অদুম্মক লৈরি হায়বগী ৱানি। মসিগী চপ চাবা খুদম চাংদম কোকথোং অমা লৈ। মসিগী মনুংদা অতোপ্পা ষ্টেটতা য়ূম্ফম ওইদুনা ষ্টেটতুগী মীয়ামগীনি হায়দুনা লৈরিবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসননা মণিপুরগী চীংগী এরিয়া খরদা চঙশিল্লক্তুনা লৈশিল্লবা, মখল কয়াগী এক্টিভিটিশিং চথরকপদা লৈজবদগী চৎনরক্লিবা ময়া থৌরবা লোশিং অসিবু চুঙ্গোই ওইনা পায়দুনা ঙাকথোকচবা ঙমদে। চুম্না ঙমদবগী ৱাফম ঙাক নত্তনা মখোয়গী মমি ফাওবা নেৎপা ঙমদবগী ফীভমদা লৈ। ফীভমসিবুদি অথেংবদা থোরকপা থৌদোকপুদি নত্তে। চহী কয়া লিশাং শিংনা লৈরক্লবনি, তৌবতবু ঙমদে হায়বনি। তৌথোরক্লবসু হুরানবা মতুং মৈরিংবগী থৌদৌ হেক্তা তাই। ৱারু-নুংজু তোয়না থোকই। অতোপ্পা ষ্টেটতগী লিৎশিল্লক্লগা ওপরেট তৌররিবা অমসুং এক্টিভিটি কয়া চথরিবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনশিংদুগী মরক্তুগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্কা অরোইবা ৱারোইশিনগীনি হায়দুনা খূৎলায় থানদনা ৱারী শানবসু য়াওই। অদুবু মসিগী মতাংদদি য়ু জি ওর্গনাইজেসনদুগী হৌরকফম ওইরিবা ষ্টেটতুগা মণিপুরগা শাইজিন লোন্নে হায়বা খক্তা নত্তনা মখল অমত্তগী মরী লৈনদে। অদুবু য়ূমলোন্নবগী ইমুং ঈং-চিক্লা, তংদু লৈতানা লৈনবা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীবদি য়াই। ষ্টেটতুদসু পাংবা য়াই, ৱারী শানরিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা পাংবীবসু য়াই। অদুবু য়ু জি গ্রুপ্তুনা অন-লোফুল এক্টিভিটিশিং চথরকপদা লৈরিবা লোশিং শীজিন্নদুনা থিংদবা অমসুং থিংবা ঙমদবগী থৌদৌদি মখোয়দা মতেং পাংবনি হায়দুনা লৌবা য়ারোই। অদুগুম্বা মপানগী য়ু জিশিং অদুনা লাক্তুনা কুশি তৌশিনবদগী চীংগী লমহেনবা খরনসু মতৌ তক্লকপা য়াওরবনি। মরম অসিনা চীং-তম থোং মান্নহনগনি হায়রিবা লৈঙাকসিনা লোসু চপ মান্ননা চৎনহল্লু, য়াদে খঙহল্লু, খংপ্রেক খংহল্লু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৩

১) ''ৱাখলগী লৈকোল'' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) ''থিয়েটর অমসুং নুংগী ৱাখল'' হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) ''ৱাকৎ'' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ''জনান্তিক'' হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকপগে?

৫) ''অওনবা সমাজ'' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি।

লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৯৭

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মতম অমদা য়াম্না মতিং লৈনা লৈরম্বা শুমাং লীলা অদুগী মপাঙ্গল অদু হৌজিকসু লৈরিবরা নৎত্রগা হন্থরকখ্রবরা হায়বসি মায়কৈ কয়াদগী হংবা হৌরক্লে। মতম অমদা শুমাং লীলাগী পার্টিশিং অসি অহল লমনশিংনা য়াম্না চেকশিন্না, মাগী মাগী কাঙলূপ অদু তাশিন খোমজিন্দুনা অমদি ময়ামদুগা পূন্না নৈনমিন্নরগা মণিপুরী শুমাং লীলাবু য়োকখৎনবা কন্না হোৎনরকখিবনি। ইশম শম্না য়াম্না মনীং তম্বা পর্ফোর্মিং ফোর্ম অমা ওইনা লাকখি। মখোয় মখোয়গী কাঙলূপ অদুগী মমিং মথা কো-ওপরেটিভ রেজিষ্টরদা চনশিন্দুনা ষ্টেট অসিনা শক খঙলবা কাঙলূপ অমম্মম ওইরকখি। মশা মশানা মখোয় মখোয়গী পার্টি অদুগী য়াইফনবা খন্ন-নৈনৈ। অদুনা এক্টর/আর্টিষ্ট খুদিংমকশিং অসিগী রেসপোন্সিবিলিটি, মখোয়গী মীৎয়েং, মখোয়গী তুংলমচৎকী ওইরক্কদবা ফীভম কয়া অদু মমুৎ তানা খন্নদুনা মদুদা হুমাং তাবা মখৈ হোৎনজখিবনি। হৌজিক্তি মদুগী মরিংজেল অমদি মশিংখা অদু মাঙথরকখ্রে, শুমাং লীলাগী এসোসিএসন/ওর্গানাইজেসনদি লৈরি। মদুগী ষ্ট্রকচরদদি কৈসু অহোংবা লৈত্রি। অদুবু মেনেজমেন্টগী মায়কৈদা য়েংলগদি পুমহোং হোংখ্রে। শুমাং লীলাদা প্রদ্যুসর হায়বা থোরক্লে। ফিল্মগুম শুমাং লীলা অমা তৌবা মতমদা পার্টি অমা লিংবা মতমদা, পার্টিদুদা য়াওগদবা আর্টিষ্টশিং নেকপগী মওং মক্তদা নৎত্রবসু য়ানরোল অমগী মখাদা লীলা য়াওনরে। করিগুম্বা মতমদদি আর্টিষ্টশিং অসি মন্তিক্লদুনা মাগী মাগী পার্টিদুদা য়াওনবা হোৎনরে। মদুসু পার্টিদুনা শিনগদবা নত্তে, ওর্গনাইজেসন অদুবু রন তৌরিবা মীশকশিং অদুখক্তনা রেসপোন্সিবিলিটি লৌরগা শিন্নরে। অদুনা আর্টিষ্ট অদুনা হান্না মখোয়দা লৈরম্বা, মেনেজ মেন্টকী ওর্গনাইজেসনেল সেট অপকী থবক খুদিংমক মায়পুননা য়াওনদ্রে। হোয় কনা, কমাই তৌসিগে হায়না খন্নবদুগী ৱাদুদি লৈরমগনি। অদুবু মদুবু থৌওইনা মথৌদাং অমা ওইনদি কন্না চোঙথোক্তুনা তৌবা উবগী চাং হন্থরক্লে। মমাঙঙৈদদি লীলাগী প্রদ্যুসর হায়বা লৈরমদে। হোয় মসিসু মতম্না পুরকপবুদি ওইগদৌরিবনি, অদুবু আর্টিষ্টশিংগী মতিংদদি য়াম্না হন্থরে হায়না লৌবা য়াই।

হৌজিক্লা অমুক লীলা পার্টি অমদগী অমদা চোঙথোক চোঙশিনগী থবক অসি শুমাং লীলা কাউন্সিলনা পীবা মতমদদি অঙকপা ফংনা তূম্বা চাদখৈ কোয়চেন চেন্নবা উরে। অমদগী কৌথোক্লগা অমদা য়াওহন্নবা, অমদগী লৌথোক্লগা অমদা য়াওহন্নবা থৌরাং কন্না তৌনরে। হোয় মতমদুদসু পার্টি অমদগী পার্টি অমদা আর্টিষ্টশিং চোঙথোক চোঙশিন তৌনবদি অদুম তৌনরকখি। অদুবু মদুগী চৎনবী অমমক্তি নত্তে। কয়া চেকশিন্দবা মশাগী অরেপ্পা ফিরেপনচিংবা লৈতবা আর্টিষ্টশিংনা মশা মশাখক্তগী খুদোং চাবা য়েংদুনা চোঙথোক চোঙশিনগী থবক অসি তৌনরকখিব্রা হায়না খল্লি। মতাং অসিদা ৱারেংজরিবনা অহল লমন কয়াগা ৱাতানবদা ফংলকখিবদি, অহানবদা, মতম অমদদি লম্বী থোং য়াম্না ফত্তবা, ত্রান্সপোর্টেসনগী খুদোংচাদবা কয়া লৈবা, আর্টিষ্ট অয়াম্বা সাইকলদা লীলা শান্নবা লোইনা চৎনরম্বা অদুনা পার্টিদুগী মনুংদা য়াওরিবা আর্টিষ্টশিংদুগী খোঙহাই চাবা হায়বদি লম্বী পূনবা, লীলা লাকথোক লাকশিন, হন্দোক হঞ্জিন্দা খুদোং চানবা লম্বী মায়কৈ পূনবগী খুদোং চাদবসু য়েংনবদগী তঙাইফদনা খোঙবু পূন্নবা চোঙবসু য়াওই। অনীশুবদা, মখোয়না পাম্বা দিমান্দ খরা পার্টিনা পীবা ঙমদবদগী চোঙবসু য়াওই। অহুমশুবদা, পার্টি মনুংদা য়াওমিন্নরিবশিং অদুগী মরক্তা য়ানদবা, মূক্লবা অমদি মরৈ মরাং তৌনরকপদগী ওইবসু য়াওই। মরিশুবদা, পার্টিগী মনুংদা লীলা চৎপদসু, হল্লকপদসু, অয়াম্বা মতমদা ময়াই কাবা য়ু থকপা য়াম্না পাম্বা, পার্টি মশেন পুনশিন-পুনশিন্নরগা থকপা পামদবা, অমনা জ্বারনচিংবা তোয়না শান্নবা পামদবা, ফজবা লিচৎ চৎপা পাম্বা কাঙবুনা হায়জবা কয়া তানরক্তবদগী লীলা মফম হোংবনা ফরে খনবদগী চোঙথোকপসু য়াওদবা নত্তে। মঙাশুবদা, আর্টিষ্টশিং অদুগী মরক্তা কা হেন্না নাপল কান্নবা, ঐ মঙাইরে হায়না চৎপা, ঐ য়াওদ্রগা মখোয় করি ওইগদগে হায়বদু য়েংগে হায়না খনবা খরনা মখোয়গী অপাম্বা ফংলক্তবদা ফংগদবা মফম য়েংদুনা চোঙথোক চোঙশিনগী থবক অসি তৌই হায়বা অসিনি। মসি তশেংনমক চুম্মী।

ঐ ইশামক্লা লীলা কন্না তৌরকপা মতমদসু, ঐগীদা য়াওবা মীয়াম্নদি খরা খরা পাম্নবা আর্টিষ্টশিং খরদি চোঙথোক চোঙশিনগী গেম অসিদা অদুম য়াওরকই। মদু ইশামক্লা হকথেংনবা ওইবনা, হান্না মমাঙ মমাঙদা লৈরম্বা অহল-লমনশিং খরনা তৌরম্বা লিচৎ অদুগী পরিং অদুদগী থোইদোক্না খেন্নবা লৈতে। খেন্নরিবা হায়ববু আর্টিষ্টশিং খরগী মরক্তা কা হেন্না ৱানীংদনা শেল ফংনীংবা, পার্টিদগী শেল লৌরগা অৱাৎ অপা লোইনা মেন্নগনি হায়না খনবা, মদুদা য়ারক্তুগনা মবুক ফত্তবা ৱাখল খল্লকপা কয়া অসিনা য়াম্না মরু ওই। অমরোমদা খরা মীয়াম্না পাম্নবা আর্টিষ্টশিং খরদি, অতোপ্পা পার্টিগী মীওইশিংনা থেম থেমদুনা মখোয়গী অপাম্বা খুদিং পীগনি, মখোয়দা য়াওরসি হায়না থকমিন চামিন্নদুনা তোয়না থেম্বদগী অমদি মখোয়গী অপাম্বদু পীশিনবদগী চোঙথোকখিবসু কোঙ্গাইনি। ঐনা তৌজরম্বা লীলা কাঙবুগী ওইনদি মদুদা থোইদোক্না কা হেন্না অৱাবা লৈতে। তোক্লিংবা মখৈ তোকখিবা কৈসু কায়দে হায়না খল্লি। য়ারিমখৈদি কায়নদবা পাম্মী, অদুবু কায়নবনা হেন্না ফরে খনবা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। অদুনা মখোয়না তোকখিবদা কৈসু কা হেন্না ঐখোয়দা অমাঙ অতা থোক্তে। লীলা হায়বসিদি শোয়দনা অকা-অকুম নাইগনি। লীলা অমা পুথোকপদা খজিক নাতৈ ৱায়োং চাদ্রবদি লীলাগী খোঙচৎতসু মশানা অদুম হন্থজগনি। ঐখোয়না মুক্তুনা মীনা শেল পীরগা কৌবা লীলাবু ঐখোয় খক্তা সুম তৌগনি হায়বা লৈতে। অদুনা শোন্থরিবা অদু করম্না কনখৎহনগদগে, করম্বা অফবা লীলা পুথোক্কদগে হায়বা ৱাখল অসি খনবা অদুগা মদু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনবনা হেন্না ৱাখল থাদখি। লেঙদনা লৈগদবা ঐখোয় খরনা লেঙদ্রবদা ঐখোয় কৈসু ময়েং তারোই হায়না খঞ্জখি। মদু নাপলগী ৱা নত্তে। অশেংবা অচুম্বগী লাই লৈগনি হায়না থাজবগীনি। ঐখোয় হোৎনবদি লেপখিদে, য়াম্না কন্না হোৎনখি। মী অতৈসু হোৎনরমগনি, মদুদগী তাদনা ঐখোয়সু কন্না হোৎনখি। অদুনা মায় পাকপগী লম্বী ইশানা থোনজবনি হায়না ঐনা খনখি। ইশা ৱানীংদনা অনানবা অফবা লম্বীদা চৎপা য়াবা নত্তে, শুমাং লীলা হায়বসিদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু কৈসু, মতমদুদদি কৈসু য়েংশিল্লমদে, মতেংসু পাংলমদে। অদুক য়াম্না লৈখ্রবা লীলাগী পার্টি ময়ামদু লীলা পার্টি মরি মঙাখক খল্লগা চহীগী ওইনা গ্রান্ট লুপা চাত্রেৎতগীনা লিশীং অমখক পীবদুনা করি তৌগনি। মদুদি মতেং পাংলি হায়বা ৱাদুতগী ৱানি। লুপা চাত্রেৎতুনা পার্টি অমা শেমগৎপা কৈসু ওইবা নত্তে। শুমাং লীলাদি মশা মশানা হোৎনজরগা, ফহল্লগা, মীয়াম্না পাম্নরগা, মীয়াম্না হিংহনবনি। মীয়াম্না কৌবিগদবনি, মীয়াম্না পামদ্রবা, কৌবিদ্রবা শুমাং লীলা হিংবা ঙম্বা নত্তে। ওদিএন্সকী লেঙবান্দা ঙারগা হিংবা শুমাং লীলানি।

অদুননি হৌজিক অচৌবা ৱাহং অমা ওইনা শুমাং লীলা মমাঙঙৈগুম মতিং লৈরিব্রা, মপাঙ্গল শোন্থরব্রা হায়বা ৱাহং লাক্লিবসি। মতাংসিদা খুন্বা য়াবা পাউখুমদি, নাক-য়েৎ, তুং-মাঙ য়েংদনা চুমদ্রিংনা খুমজবা তারবদি শুমাং লীলাদি য়াম্না শাথীনা মপাঙ্গল শোন্থরে। লীলাগা মীয়ামগা কয়া শম্নদ্রে। মীয়ামগী য়েংনীংবগী অপাম্বদুদি পুন্মাঙ মাঙবা নৎত্রি। অদুবু মীয়ামগা শম্নবদি ৱাৎলে হায়না খুন্বা য়াই। মসি লীলা তৌবীরিবশিংনদি ৱারৌবা য়াই। অদুবু অশেংবদি শুমাং লীলা য়াম্না শিথরে। শুমাং লীলা হিংগৎহনবা য়াম্না মরু ওই। মথক্তসু, মমাঙ মমাঙগী ইস্যু কয়াদসু হায়জখ্রে, শুমাং লীলাগা খুন্নাইগা য়াম্না শম্নে, মীয়ামগী পুন্সিরোলগা য়াম্না নকশিন্নে, চাওখৎলোনগী অমদি মীৎয়েং পাকথোক চাওথোকপগী মায়কৈরোমদা হায়রবসু শুমাং লীলা য়াম্না মরু ওই। লোয়ননা মীওইবগী থম্মোয়দা লৈরিবা কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা শুমাং লীলানা পীনীংলিবা পাউজেল অদু য়ৌহনবা ঙম্বতা নত্তনা থম্মোয়দুবুসু তেংবা মখৈ শেংদোকপা ঙম্মী হায়বসি ঐনা মমাঙ ইস্যু কয়াদসু ইজখ্রে। অদু ওইবা তারবদি শুমাং লীলা করম্না হিংগৎহনগদগে হায়বা ৱাফম অসি মরু ওইনা মাঙদা চোঙথোরক্লে। করিগীনো শুমাং লীলা মীয়াম্না অসুক্কী মতিক পাম্নে হায়রগা লীলা কৌবগী চাং হন্থরক্লিবা অসি। লৈকায় লৈকায়দা হরাও কুম্মৈ অমত্তা তৌনদ্রবরা, তৌনরি হৌজিক্কান্নবু হেল্লি, ঈশৈ নোংমাইনচিংবা মখল কয়া নোংমদা মশীং খঙদনা তৌরি। মসিগী খুদমদি মণিপুরদা মতম ঈশৈ শকপা মীশক মশীং হেনগৎলক্লি, ম্যুজিক বেন্দ মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মসিগী চপ চাবা মশীং হায়দ্রবসু, অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ্তা রেজিষ্টর তৌরবা ম্যুজিক বেন্দ কুন্থ্রা হেন্না লৈরে। মখোয়শিং অসি নোংমত্তা শংনদে, মফম খুদিং ঈশৈ লৈ। অসিনা তাক্লিবদি মমাঙঙৈ মতম অমদা লীলাগী পার্টি মশীং য়াম্না লৈরম্বা অদু ঙসিদি মশীং হন্থরক্লে। তরা খজিক হেন্না লৈরবসু লীলা কৌদুনা শান্নবা পার্টিদি অহুম মরি মুক্তগী হেনদ্রে। অমরোমদা, হৌজিক ম্যুজিক বেন্দ মশীং য়ামখৎলক্লিবা অসিনা তাক্লিবনা ঈশৈ তৌবগী চাং অসি নোংম-নোংমগী হেনগলিক্লি হায়বা অসিনি। অদুদি করিগী শুমাং লীলা কৌবগী চাং হন্থরক্লিবনো হায়বা অসি য়াম্না কূপ্পা নৈনবা য়াই। মসি মতাং চারিঙৈদা মরী লৈনবা পূম্নমক্লা নৈনহৌদ্রবা তারবদি শুমাং লীলা মতম অমদা মতিং লৈরম্বা অতৈ পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম কয়ানা লুপখিবগুম শোয়দনা লুপখিবা য়াবগী অকিবা লৈতবা নত্তে। মসিগী শন্নপ্পা কাঙলোন খরা মথংগী ইস্যুদা পুদুনা লাকচগে। ●

# চাইনাগী পোলিটিক্স অমদি টাইৱান

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

চাইনাগী পোলিটিক্সনা টাইৱান্দা য়াম্না চাওবা শাফু অমা পীদুনা লাক্লি অদুম ওইনমক হন্দক ওক্টোবর ২৩দা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনাগী কুনশুবা কোংগ্রেসতা হান্নগী চাইনাগী কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনাগী সেক্রেটরি জেনরেল/প্রসিদেন্ট ওইরম্বা হু জিন-তাও লৌথোকখিবা অমদি ষ্টেন্দিং সেন্ত্রেল কম্মিটিদগী হু জিন তাও অমদি মহাক্কী মীওই লোয়ননা হান্না মমাঙদা চাইনাগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা Jiang Ze-min গী মীওইশিং লৌথোকখিবদা থোইদোক্না টাইৱানগী পোলিটিকেল সিনারিওদা অহোংবা পুরকপা লৈতে হায়না লৌবা য়াই, হায়বদি Xi Ji-Ping না প্রসিদেন্ট ওইনা লৈরিবা মখৈ। মখোয় মনুংদা য়ানদবা খরা লৈরবসু কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনানা টাইৱান লোমদা য়েংলক্কদবা মীৎয়েং অদুদি অহোংবা করিসু লৈরোই হায়না থমজগে।

টাইৱান্দা থোইদোক্না অহোংবা মীৎয়েং লৈত্রগসু অতোপ্পা নোংচুপলোমগী, মরু ওইনা য়ু এস এ, বৃটেন অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগুম্বা লৈবাকশিংগা চাইনাগা লৈনরিবা মরী অসিদদি অহোংবা লাকপসু য়াই। মসিগী মরু ওইবা মরম অমা হায়রগদি হু জিন-তাও অসি কেপিটেলিজমদা খরা নকশিন্না লৈবা লুচিংবা অমা ওইনা লৈবনা চাইনাগী হৌরকফমগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা অদুক থৱায় য়াওদবনা নোংচুপলোমগা হেন্না নকশিন্নদুনা লৈবনা কম্যুনিষ্ট আইদিওলোজিদগী লাপথোকখিবসু য়ানা লৈবগী মওং অদু উবনা Xi Ji-Ping না হু জিন-তাও অমদি মহাক্কী তুংইনলোইশিং লৌথোকখিবা মাল্লি হায়না লৌনৈ। হু জিন-তাওদা নত্তনা Ziang Je-Min গী মীওইশিংসু ষ্টেন্দিং সেন্ত্রেল কম্মিটি (মীওই তরেৎনা শাবা খ্বাইদগী ৱাংবা কম্যুনিষ্ট চাইনাগী লৈঙাকপশিং) দগী লৌথোকই। Ziang Je-Min গী ফেক্সনসি "Shanghai Gang" হায়না খঙনৈ। মহাক্কী কাঙলূপসি করপসন তৌবদা মমিং লৈ হায়না ফোঙদোকনৈ। Xi Jin-Ping না চাইনাগী প্রসিদেন্ট ওইরকপা মতমদনি করপসন তৌবা লুচিংবা ময়াম অমা জেলদা থমজিনখিবদো। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে ৱাখল্লোল মান্নদবা লুচিংবশিং লৌথোকপা হায়বসি মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা তৌনরিবা ঙাক্তনি। দেমোক্রেসি চৎলে হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদসু মঙাই। খুদম ওইনা হায়রবদা ইন্দিয়াগী সেন্ত্রেল লৈঙাক্তসু মদু মঙাই। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগা নক্লবা মীওইশিং অদুনি মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিং হাপ্লিবা। ময়াম্নসু হেন্না খঙবী উবীরবা ঙাক্তনি। ইরমদমদসু য়েংবীয়ু করম্বা মীওইশিং কেবিনেট মিনিষ্টর হাপ্লগে হায়বদো।

হু জিন-তাও অমদি জিআং জে-মিনগী মীওইশিং ষ্টেন্দিং সেন্ত্রেল কম্মিটিদগী লৌথোকখিবা হায়বসি Xi Jin-Ping গী অচৌবা প্লান অমনি। ৱাখল্লোল মান্নদবা পার্টি অসিগী মীওই লৌথোকপা অসিনা Xi Jin-Ping না পাঙথোক্লিংলিবা থবক কয়াদা অকায়বা লাক্তবীদা পাঙথোকপা ঙমগদৌরিবনি। Xi Jin-Ping না মঙজরকপা মঙলান ঙসিদি মঙফাওনগদৌরে। শেল-থুমগী ফীভমদসু ওইরে, লানগী খূৎশু খূৎলায়দবু ওইরে, লল্লোল ইতিক্কী মায়কৈদবু ওইরে নৎত্রগা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিদবু ওইরো চাইনানা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তগী মাঙজিল থানা চৎকদবা মতমদো কুইরক্ত্রে। মসিগী মথক্তা খ্বাইদগী লীরবা অমত্তা ঙাইরবা য়ু এস এনা লুচিংবা ইন্টরনেসনল স্পেস ষ্টেসন (নোংথক্তা শাবা, লৈবা য়ূম অপাইবী) অসিসু চাইনানা মতোমতা শাগৎচবা "Tiangong" (Heaven in the sky) কৌবা স্পেস ষ্টেসন অসিনা মায়থীবা পীদুনা অমত্তা ঙাইরবা স্পেস ষ্টেসন ওইগদৌরি।

হায়রিবা স্পেস ষ্টেসন অসি চাইনানা শাবা হৌখিবগী মরমসু লৈ। চাইনানা য়ু এস এগী মখাদা লৈবা ইন্টরনেসনল স্পেস ষ্টেসন অসিদা য়াওদুনা মখোয়সু স্পেসকী রিসর্স তৌবা য়াওগে হায়বদা চাইনাদা হ্যুমেন রাইটস লৈতে, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক নত্তে হায়দুনা য়াওহনখিদবা অদুদা চাইনানা মখোয় করিগী ঙল্লোই হায়না থাগৎখিবনি কুমজা ২০০১দা। মসিগী মতুংদা অনীশুবা Tiangong Space Station 2 কুমজা ২০১৬তা থাগৎখি। অহুমশুবা Tiangong space station শাবা লোইশিনবা ওইনা "Mengtian" (Dreaming of the Heavens) কৌবা স্পেস মোদ্যুল অমা থাগৎতুনা Tiangong Space Station দা হাপচিনখ্রে। Mengtian হাপচিনখিবগা লোয়ননা Tiangong Space Stattion শাগৎপগী খোঙচৎ লোইদুনা থবক তৌবা হৌরগনি। হায়রিবা স্পেস ষ্টেসন অসিদা য়াওদুনা নোংথক্কী ওইবা থিজিন হুমজিনবা তৌনবা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ানা মখোয়সু য়াওজগে হায়না হায়জরকখিবা লৈবাক কয়াগী মনুংদা য়ু এস এসু অমনি। অদুবু লাইবক থীবদি য়ু এস এনা হায়জরকপা পূম্নমক চাইনানা তাবীখিদে য়ু এস এনা মতম অমদা তাবীখিদবা অদুগী লমন শীংবা হায়বা তারে।

লৈবাকশিং অদুদি ফ্রান্স, জর্মনি, ইটলি, রুসিয়া, পাকিস্থান, য়ুনাইটেদ নেসন্স ওফিস ফোর আউটর স্পেস এফেয়রস (য়ু এন ও ও এস এ) অমদি দি য়ুরোপিয়ন স্পেস এজেন্সিনচিংবা য়াওরি। লৈবাক কয়া অমসু য়াওজগে হায়না হায়রকপা লৈ অদুবু ক্বালিটি ওইদে হায়দুনা য়াখিদবনি। তুংদা লৈবাক কয়া অমা য়াওজগে হায়না লাকখিগদৌরি মরু ওইনা য়ু এস এগী মখাদা লৈবা ইন্টরনেসনল স্পেস ষ্টেসন অসিনা কুইশিল্লকপগী অতেক অকায় য়াওরকপা অসিদা সেফ ওইদে হায়দুনা হান্নগী লৈবাক কয়া অমা থোরক্কদবা অদুনা। চাইনাগী য়াম্না মাঙদা চঙশিনবা উবগা অদুগা মখোয়সু য়াওগে হায়বদা য়ারক্তবা অসিগা য়ু এস এনা চাইনাসি মতোমতা থবক তৌনীংই অতোপ্পগা স্যের তৌনীংদে হায়দুনা চাইনাগী মায়োক্তা পাউ শন্দোক্লি। করি পান্বৈদি লৈ অসিগুম্বা পাউ শন্দোকপা নত্তনা। য়ু এস এ অমদি নোংচুপলোমগী মতম লোইশিল্লক্লে হায়বদুনি।

চাইনাগী চাওখৎপা ফীভম অসিদা য়ু এস এনা চাইনাগী মায়োক্তা শন্দোক্লিবা তোকঙা কয়া অসি খঙনা খঙনা এসিয়াগী লৈবাক কয়া অমসু চাইনাগী মায়োক্তা লৈতবা নত্তে। খুদম ওইনা হায়রবদা জপান, টাইৱান, ইন্দিয়া অমদি ফিলিপিন্সনচিংবা লৈবাকশিং। মসি থোক্লবনি য়ু এস এনা কন্না শান্নরিবা লীলা। অদুবু মখোয়গী লীলা কুইনা চৎপা য়ারোই। ঙসি ঙসি য়ু এস এগী মখোয় মতোমতা মকোক ওইনীংবগী ৱাখল্লোল লৈবা অসিননি মালেমগী লৈবাক কয়া অমা য়ু এস এগা য়ানরক্ত্রিবা। য়েক্লবা ওইনা খনবগী মহুত্তা চাইনাগা চৎমিন্নদুনা মাঙদা চঙশিনবনা হেন্না কান্নবা লাক্কনি হায়রিবা লৈবাকশিং অসি। লৈবাক খরসি খক্তা নত্তে মালেমগী লৈবাক খুদিংমক চাইনাগা ঈংনা তপ্না চৎমিন্নবনা খুদিংমক্কী অফবা ওইগনি। অদুদি নত্তনা মখোয় মখোয়গী পোলিটিকেল পাৱর পামদুনা য়ু এস এগী মতেং লৌরগা পাৱর পায়নি কাইনা খল্লবদি য়ুক্রেনগী ফীভমসিদা লাক্কনি। টাইৱানসু মদু মঙাই।

য়ু এস এনা শান্নরিবা টাইৱানগা চাইনাগা খৎনহল্লগা, লান থোকহল্লগা টাইৱান্দা খূৎশু খূৎলায় য়োনশিন্দুনা শেল তানবগী ফোরেন পোলিসি অসি খঙদবীদা য়ু এস এনা মতেং পাংলক্কনি কায়না থাজদুনা টাইৱানগী হৌজিক হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি অসিনা নীংতম্লে কায়না লাউথোক্লুরবদি শোয়দ্রে য়ুক্রেনগুম পুমচাই চাইবা, লানসি থোক্লনবা হায়দুনা য়ু এস এগী হাওস/স্পিকর নেন্সি পেলোসি থাজিনখিবনি অদুবু চাইনানা লান্দাবগী মহুত্তা ৱার দ্রিল খরা উৎলগা ৱার্নিং পীরগা তোকখিবনি। মদুগী মতুং ইকুই কুইদবীদা য়ু এস এদগী লালগী খূৎশু খূৎলায় লৈনবা য়ু এস দোল্লর ১.৭ বিল্লিয়নগী খূৎয়েক পীনখি।

তশেংবগীদি টাইৱান্দা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা চাইনাগা লান থেংনদুনা নীংখা তম্বা শুপ্নাম পামদে। তৌইগুম্বসুং কম্যুনিষ্ট ওইনা লৈবসু পামদে। মীয়াম্না পাল্লিবদি হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফীভম (status-quo) অসিনি পাল্লিবা। লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অসিনা মসি খঙনা খঙনা নীংখা তম্বগী মীংদা ভোট ফংনবা হোৎনবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।